# নোংখোঙ তম্না

হনুবীদুনা মৌনহাদুদা মরায়বক্তা চূপ্পী। কুচু মুনং তৌবী মৌনহাদু চহী তরামঙা তরাতরুক্লোমদগী পংহেন হেল্লল্লোই। তরাউ-তরাউরবা মমীৎতুনা হনুবীদুদা য়েংই। ৱা মচেৎ অমতা ঙাঙদে। মুন্না য়েংবা নত্তনা। হনুবীদুনদি য়াম্না নুংশিনা করি করিনো হায়রি। অদুবু মরোল থোক্তবা মীগুম মঙক খজিক্তং নোম্মী।

রেলগাড়ী অদু হুইসেল শাংনা অমুক্তং খোংলকই। মৌনহাদুগী মনাক্তা লেপ্লিবা নুপা অদুনা হনুবা অদুদা চঙশিন্দুনা খুরুম্মী। হনুবা অদুনা মচীনদা করিনো খরা হায়দুনা মকোক্তা নান্থবিখি। অদুদগী অমুক হনুবীদুদা খুরুম্মী। মহাকসু মকোক্তা নান্থবিরগা শারিগী মচী অমনা মপি তৈথোকখি। অদুদগী রেলগাড়ীদা কাখৎলকই। মৌনহাদুনা মাঙ থারদুনা। রেলগাড়ীদু তপ্না তপ্না লেঙলদুনা হুইসেল শাংনা শাংনা খোংলকই। রেলগাড়ী অদুনা চেনবা হৌরকপদা প্লেটফোর্মদা হনুবা হনুবীদু চেনবোই চৎপোই মখূৎ হাইরি। নুপা অদুসু থোঙনাউদা মখূৎ তিংথোক্তুনা হাইরি। মৌনহাদুদি হাইদে। খোঙজেল য়াঙলকপগা লোয়ননা লৈহৌরে। উখিদ্রে। অরোইবা উখিবা হায়ববু হনুবীদু শারিগী মচীনা মমায় খুমজিন্দুনা কপহৌবা অদুতনি। হৌজিক্তি প্লেটফোর্মগী মচু মচুগী মৈঙালশিং উখিদ্রে।

ঙসাইদি মরোল থোক্তবীগুম্লম্বা মৌনহাদু মচীন শুক্লেপ লেপ্তুনা ঙাঙদুনা মফি-মরোল বেগতগী লৌথোক্তুনা হীপ্নবা শেম শারকই।

পূম্নমক্তো তম্পাকলৈমদি উরিব্রা উদব্রা খঙদে। মখোঙদু কোনশিল্লপ তৌদুনা হীপ্লি। মমীৎ অমুক পাঙথোকই। অমুক উইশিল্লি। ৱাখল খল্লিব্রা, তূম্বা থেল্লিব্রা খঙদে।

ইবোতোম্বদু ষ্টেশনদা ঐখোয়বু থিল্লক্লম্বনি। থেঙলে হায়দুনা ট্রেন থাদ্রিঙৈদা ঐনা চৎহনখিবনি। ইমৌনুপীদুনা চৎলমদাইদা হায়ববু 'হেপ্পি জর্নী' অসিখক্তনি। এল পি স্কুলগী ওজা ওইবী মীতৈলোনদগী হেন্না খঙদবী তম্পাকনদি করি ৱারী শানরুগনি? ঐগসু ৱাহৈ পরেং খরা নত্তনা করিবু শানখিবগে? মদুনবু কয়াম পাউ ফাওনরুগনি। তম্পাক্নদি কায়নরমদাইদুদা অনৌবী মমৌনুপীদুদা পূকমেন পাউমেন্ননীংলমগনি। ৱা য়াম্না হায়নীংলমগনি। মপূক্লিংদা লৈবা খূদিং তেংনা। ঙসাইগী হনুবীদুগুম্না মমৌনুপীদা মকোক নানবিরদুনা হায়নীংলমগনি। নখোয় না-য়েক্তনা নুংঙাইনা পাল্লু। অদুবু করিদি উপায় লৈ। মমৌদা মুন্না য়েংবা নত্তনা।

"হল্লো বাবা।"

"হল্লো কনানো, ইবেমহললা?"

"মানে।"

তূম্লুরবনি। মোবাইল ফোন খীংলকপদা ঙাইহাক ঙাওরুই। মখাগী বার্থতা তূম্লিবা তম্পাকলৈমদা কোক নোন্থদুনা য়েংই। মহাক তূম্লি। ফোন মখোলদু তাদমাল্লে। পূং অসিনা কয়া তাখ্রবা?

"ট্রেন মনুংদনি। য়ূমদা থোক্লবনি।"

"কৈদৌঙৈ থোকপনো?"

"ঙসি। নুমিদাংগী পূং তরামাথোইমখায়গী ট্রেনদনি। পূংসিবু কয়াম তারবগে?"

ঘড়ি অমুক য়েংই। কম্পার্টমেন্ট মনুংগী মুশি মুশিরবা বল্বকী মৈঙালদা উদে। নাকনদা আনোক থমখিবদু কোইমা মাই।

"পূং কয়া তারবগে হায়বরো বাবা? সিদদি য়াম্না ঙল্লিয়ে। পার্টি অমা য়াওবা থোরকপনে।"

আনোক থাঙ্গৎতুনা য়েংবদা পূং তরানিথোইগা মিনিট নিফু চৎলল্লে। তূমথবা কুইখিদ্রিবনি। নুপামচাদুগা কুইনা ৱারী শানখিবনি। মহাকসু ঐগা মায়োক্লনা অনীশুবা বার্থতা তূম্লি। মকোক খুমজিল্লদুনা।

"ইমাদি তূম্লিব্রা?"

"তূম্লি। হৌদোকউরা?"

"হৌদোক্লুরনু। পোখাসনু। কোন্না ৱারী শারগে।"

তম্পাকলৈমবু হৌদোক্লুদরে। মচানুপীগদি ৱারী শাননীংলমগনি। মখোল তানীংলমগনি।

"কৈদৌরে তূমিন লৈরদি বাবা?"

"কৈসু তৌদে। তারিনে।"

"করিগীনো অসুক থুনা ইম্ফাল থোক্লিবা? বেঙ্গলোরদা লৈবদু নুংঙাইত্রনে। অদুক ফজখ্রবা মফমদুদা খরা কুইনা লৈগেদি হায়দ্রদুনা। অসুক থুনা চৎকনি হায়বা থাজরুদে।"

"নমানা হল্লসি তকমনবদগী হল্লবনি।"

"করিগীনো ইমানা য়ূমদা প্রপ-প্রপ চৎনীংলিবদুবু। মচাগী মনাক্তা লৈগেদি হায়দ্রদুনা।"

"য়ূম নুংশিরক্লিবনিদনা।"

"য়ূমদা কনা লৈহৌদনা?"

মখা করি খুমগদগে খঙদে। —চুম্মী, য়ূম অদুদা তম্পাক্কা ঐগদনি লৈরিবা। অদুবু ঐগী খোইরী নাউফমদু ইংখোলদুদনি ফুমখিবা। তম্পাকসু ঐসু লমদমদুগী ঈশিং নুংশিৎ অমদি লৈহাওদা চাউরকখিবনি। চীং-পাৎ তুরেলশিংদুদগী ঐখোয়গী পুন্সি শাগৎলকখিবনি। করিগী লমদমদুবু নুংশিরোইদবগে? করিগী থাদোক্লীংগদগে? মসিবু ইবেমহলদা হায়রুবগী করি কান্নরি? মহাকপু ভাব তাগদ্রা?

অদুনা খুম্মী, "ঐনসু হায়রিবনিনে।"

"ফরে ফরে। হন্নীংলবদি হল্লেদনা। অদো, ইবোতোম্বগী নুপীদি মশক ফজব্রা? মবুক মপাউগদি কমদৌই?"

নুমিৎ খরনিদং অহানবা ওইনা থেংনবদা মী অমগী অফ-ফত্তবু করম্না লেপকদগে? লোন তিন্নদবা ইমৌদুগা কয়া য়াম্নবু ৱারী শানরকখ্রবগে? কয়াম্না পাউ ফাওনরকখ্রবগে? মাগী নুংগী ৱাখলবু কয়াম খঙলকখ্রবগে? উরকখ্রবগে? হোয়, থাপ্না লাকপা মনেম মকূনি, মতম খরগী অতিথিনি হায়দুনা সেবাবুদি করিগী ফজনা তৌরক্লোই। অদুগীসু মথক্তা অনৌবীনিদনা। শক ফজৈ ফজদে হায়বদি নোংমতসু খল্লুদে। ঐখোয়গী শকফম মান্নদবা অতোপ্পা জাৎকী ফজবা ঐহাক লেপ্পা হৈতে। মমীৎ লাওই। মনাতোন শাংলগা তুম্মী। কুচু ঙৌই। সিখক্তনি।

"হোয় ফজৈ। মবুক মপাউসু ফৈ।"

"ঐসু ফোটোদবুদি উরে। মবুক ফরমগদবা মাল্লি। ছুটি ফংবগা শঙ্করদসু ঐনা হায়রিবনি, বেঙ্গলোরদা মতম খরা লৈরুসি হায়দুনা। য়ূমগা কোন্নবা ইংখোল অমা লৈরগনি হায়না ইবোতোম্বনা হায়রকই। লৈর' কালদা ওইনা চৎকেসু খল্লি।"

ইংখোল লৈবগী ৱাদি ঐঙোন্দদি পল্লকখিদে। কাউবনরা? অসুক চাউবা ঐখোয়গী ইংখোল অমা লৈরিবসিদি? ইংখোলসিবু কনাগীনো? অদুগা ছুটি ফংবগা ইবেমহলদু বেঙ্গলোরদা চৎকদবা? ইম্ফালদা লাকপগী ৱাদি পন্দে। অসুক কুইনা উনখিদ্রবা মমা মপাগী মনাক্তা। মহাক্কী খোইরী নাউরি তাখিবা লমদমদা। মমানা মহাকপু উনীংফম থোক্ত্রনে? মশূদুবু মশক য়েংনীংলমলোইদ্রনে?

"ইশূদুদি কমদৌরি? না-য়েক্তেদনা?"

"নাদে। সি বিকম্স্ এ নোটি গার্ল্ নাও অ দেজ। মিংসু জেফরিন কৌরে। মিংসি কমদৌই? ফজব্রা বাবা?"

হন্দক্তি নোক্তুনা হংলকই। করি হায়নবু খুমগদগে? ঐনা মহাকপু ইবেমহল থোনখি। কোকহন লাইহন্নি হায়দুনা। মমানদি মালেমঙানবী থোন্নীংখিবনি। মচানুপাবু অতোনবনি হায়দুনা ইবোতোম্বা। তম্পাক্নদি মরক মরক্তা য়োইহেনবা কৌখি। জেফরিন? অদুগা থা তরারোমদা ঙায়রিবী ইশূনুপীদুবু য়াম্না ঙাওশিন্নরবা? থা তরাদা ইবেমহলদি ঙাওশিন্নখিব্রা? ঐ নীংশিংদে। ঐ খঙদে।

"মিংসিবু ফজদ্রব্রা, বাবা?"

"ফজৈ।"

"অদো বাবা, ঐসু পার্টি মফম য়ৌগদৌরে। ঐহাক ঈ-মেলদা টিকেট থারক্কে মৌরিসিয়সতা মতম খরা কোয়রক্লবা। মামাগা নখোয়নীগী পাসপোর্ট শেম শাউকো। বাবাসু খঙলমগনি মৌরিসিয়স কয়াম ফজৈ হায়বা। অ নাইস আইলেন্দ। পৃথিবীগী ফজবা মফমশিং য়েংগে হায়রবদি মফমসিসু অমনি। ফরে, তূম্বা কায়রগনি। ঐ অমুক কোন্না ফোন তৌরক্কে। বাই, পাপা। গূদ নাইট। স্বীট দ্রীম..."

ফোন থমখ্রে। পাউখুম ঙাইখিদে। বাবাদগী করম্না পাপা ওনখিবা খঙহৌদে। মহাক্লা পার্টি চৎলিবদুবু কদায়দনোনে? করম্বা মখলগী পার্টিনো? অঙাং অদুনা কদায়দা কনাদা শিন্নরমগদগে? ফোনদু ফূরিৎখাউদা হাপচিল্লি। লোংনা হীপ্লম্বদগী চেপ্পী। তূম্বা থেম্নবা। নুপামচাদু মকোক খুমজিন্দুনা ফজনা তূম্লি।

"কদায়দা চৎকদৌরিবনো?" ঐনা ঙসাই হংখি।

"অসামদা শিবসাগরদা। বাবাহোয়দি?"

"ইম্ফালদা।"

"মণিপুরী?"

"মানি। মণিপুরীনি। নঙদি অসামদা করি তৌবনো?"

"শিবসাগরগী চা বাগানদা থবক তৌবনি। ছুটি থোক্লুবনি।"

নুপীমচাদু মমীৎ ইরাও লাওরদুনা ঐঙোন্দা মুন্না য়েংলকই।

"নঙগী নুপীরা?"

নুপামচাদু হাইফেৎ ইকায়বগী মতৌ অমা উরকই। নুপীদুদা ফল্লপ য়েংলুরগা নোকফেৎ তৌনা হায়রকই, "মান্নি। ছুটি থোক্লকপদা অহল লমননা হোঙবিবনি। থা ফাদ্রি।"

"ঙসাইগী অহল অনীদু ইমা ইপারা?"

"মান্নি।"

"য়ূমদি ষ্টেশনদগী কয়াম লাপ্পী?"

"য়াম্না লাপ্পী। চিকবাল্লাপুরগী খুঙ্গংদগীনি।"

লমদু খঙদ্রবসু য়াম্না লাপ্পলমগনি হায়বদি খঙলে।

"মখোয়দি অদুক থেঙবদুদা য়ূমদা হন্নবগী গাড়ী ফংখিদ্রা?"

"ষ্টেশনদা লেক্লুগা হয়েং হনগদবনি।"

হনুবা হনুবী অনীদু মীৎতা অমুক উরকই। চহীবুদি পংয়াম য়াল্লমদবসু য়াই। নুপামচাসিগী মমা মপা ওইরবদি। অদুবু শকফমদুদি শোক্লা উই। ষ্টেশনদা অহীং লেনগদবা? মচা-মমৌবু থিন্দোকপা অসুক থাপ্না লাকপা? মীৎতা অমুক উরকই—ৱা মচেৎ অমতা ঙাঙজদবী মোং-হাদবী মমৌদা হনুবীদুনা চূপখিবদু। ট্রেন মনুংসিদদি চহী কয়া য়ূম্বানমিন্নরক্লবা অমগুম মচীনদু য়াম্না ঙাঙখিবনি। জেলদগী থাদোক্লকপগুম। হনুবীদুনা করি করিনো য়াম্না হায়খিবদু করি ৱা ওইরমগনি? নখোয় না য়েক্কনু। নতু নাম্মা শোক্তবা ওইয়ু। চিঠি ইরকপা কাউগনু। অসি মঙায়। মমা মপানা মচা-মমৌদা হায়গদবা হায়ববু। মসিদগী হেনবা করিবু হায়রুখিগদগে। ময়ূম মকৈ পাল্লবনি। মখোয় অফ-ফত্ত খঙলবনি। মখোয়বু কোনশিন্দুনা থম্বগী মতম হেল্লবনি। মপীনা পাইবা তম্বিবা খক্তনি। অদুদগী জূরা জূরা কদায়দনো উচেকশিংনা পাইখি। মপান নাইদ্রবা অতিয়াদা। পাইখিবদুগীদমক ৱাজবদি মপী মপা খক্তনি।

"অসামদা হন্দক্তা মপানগী শিন্নী য়াম তানখিবদাই। হাৎপসু য়াম্না হাৎখিদাই?"

"উম হাৎলি। কিরসু কিনা হিংনবা লৈরিবসিনি। শিবা শিদবা ভগবানগী খূৎতা লৈরে।"

অসামগী ৱাদমক হায়রুরি। মণিপুরদদি? ঐহাক খন্নীংদে। শিবা অমসুং হিংবা? মসিদা লূপ্লিবসি করম্বনো?

"বাবাহোয়গী মণিপুরসু ঈরাং ফৎত্রেনে?"

নুপাদুনা মখা তারকখিবনি। ইতন তন্না খুমখি, "উম। ফৎত্রে।"

মখা তানরুদরে। তূম্নবা শেম শানৈ।

ইবোতোম্বদু এম সি এ লোইরমদাইদা কেম্পস সেলেক্সন লাক্তুনা কম্পেনিনা থবক খনখি। এম সি এগী কোর্স হেক লোইবগা য়ূমদা থোক্লমদনা থবক চঙখ্রবনি। অতৈ কম্পেনিদগী থবক্কী ওফর কয়ামুকসু ফংখিবনি। মমানদি তলব ফনা চাউরবসু য়ূমদা লৈহন্নীংখি। মমানবুদি মচাবু কদায়দগী থাদোক্লীংগদগে? তঙায়ফদনা লাইরিক তম্বা চৎপদি চৎপনি। মীরমদা থবক তৌদুনা লৈখিববু করম্না য়ানীংগনি। অদুবু তম্পাকলৈমবু য়াম্না থেমখি। অচৌবা থবক অমা ফংবা হায়বসে ফরবনি। মী ওইরবনি। মফমসিদদি থবক মচা অমা তান্নবা ফাওবা ফংনদ্রিবনি। ঐখোয়বু সঙ্গ কয়াম লৈরবগে? ঐখোয়বু শেল কয়াম পায়বগে? মখোয়বু থবক তৌহন্নবা। ঐখোয়না, ঐখোয়গী তলবনা ঙম্বা হায়ববু মখোয়বু মপান্দা মহৈ তমহনবা মসিদগী হেনবা করিবু ঙল্লিবগে? লমদমসিদবু করি আশা তৌনীংঙাই লৈরিবগে? তলব মচা চাবা ঐখোয়নবু। য়াম্না থেমজিনখি তম্পাকলৈমদা। হায়খি,

"মখোয়না শেল খরা তূংশিঞ্জরগা মখোয়না হোৎনজদুনা মরাইনা মফমসিদা থবক তৌজরগনি। অমুক হঞ্জরক্কনি।"

তম্পাকসু লাইরিক ইহৈ হৈতবীদি নত্তবনা মপূক্লিং ফাথখি। চহী কয়াদি শুরে মপান্দা থবক তৌখিবা। হৌজিক্তি ঐখোয়সু থবক্তগী পোখারে। তম্পাকলৈমসু ঐসু। ইমুংসিদা ইবান্নীদনি। তরক তরক। ইহাঙ হাঙই য়ূমদো। মতম পূম্বদা। ইচা, ইমৌ, ইশুশিংনা কোয়রাঙ লাঙবা ইকোয় কোয়শিনবদু তম্পাকসু পাল্লমগনি। শোয়দনা পাল্লমগনি।

"বাবা ঐহাক কোর্ট মেরিয়েজ তৌরে। বাবাগা ইমাগগী অয়াবা লৌখিদ্রে।"

ইবেমহলনা নোংমা ফোন তৌরকখিবনি। পুনেদগী। নোংথাঙনা পানবগুমখি। মঙ হাগুম্মী। করি খুমগদগে খঙখিদে।

মখা তারকখি, "বাবা, য়াম্না ফবা মীনি। মমিংনা শঙ্কর গোয়েনকা। মহারাষ্ট্রিয়ান ওইরসু মৌরিসিয়সকী সিটিজেননি। ইন্দিয়াদা পিঐচ দি তৌবনি। মহাকসু ঐসু পিঐচ দি লোইমিন্নবনি। সেম য়ুনিভর্সিটিদা। য়াম্নসু চাওখৎপা ফেমিলিনি, ..."

মখা য়াম্না তাখি। তম্পাকলৈমদি অঙাং মচাগুম্না য়াম্না কপখি। খোঞ্জেল থোক্লা। নুমিৎ কয়ানি চাক্কা নীংথিনা চাখিদে। মশাদু য়াম্না শোকখি। ঐ লৈনা লৈনফাওবা কপ্তুনতা লৈরবদি ঐ লৈতবদদি করি ওইরমগদগে? থেম্বিনবা কনাসু য়াওদনা য়াম্না কপ্লমগনি। পূমচীক চীকপা য়ূমদুদা। মহাকসু চহী কয়াদি শুরে থোরকখিদবা। গ্রেজুয়েটতগী অদুম তমখ্রবনি। পিঐচ দি তৌনা তৌনা আই এ এসকী কোচিংসু য়াওবনি। আশা কয়া তৌখি। মীঙোন দা মরূপ-মপাংশিংদা ৱারী কয়া শাদ্রবসু পূক্লিংদা মখোয়গী মমাঙদা চাউথোকচখিবনি। মঙোন্দা আশা কয়া থমদুনা মঙ কয়া মঙখি। করিগুম্বা মতমদা নাকোংদা ঐহাক আই এ এস ফংলে হায়না হায়রবফাওবা তাখি। ঐহাক য়াম্না হরাওখি। মঙ ওইরম্লবসু আশাগী মৈরী অমদি অসুম চাকখি। লংনা, মঙাল থোক্লা।

নুপাদি পি লৈতব্রা? নুপাদি কপ্পা য়াদব্রা? ইবেমহল ঐগী ইচানি। ঐসু তম্পাক্কুম্না য়াম্না কপখি। মহাক উহন্দনা। য়াম্না কপখি। মসি নত্তনা হৌজিক্তি ঐখোয়না করি তৌগদগে?

"বাবা মণিপুরদা চৎসি তৌরম্বনি। বাবাগা ইমাগা খুরম্বা। অদুবু মৌরিসিয়সতা মহাক্কী থবক ফংলে। য়াম্না থুনা চত্তবা য়াদ্রে। ঐসু মফমদুদা থবক ফংনবা মখোয়গী বাবানা হোৎনরি। মখোয়গী ফেমিলিগা নম্মিন্নবা ফোটো ময়াম অমসু থাখিবনি। ...ঐখোয় নোংমা মণিপুরদা লাকখিগনি। ...মঙ্গল ওইজগে।"

কোর্ট মেরিয়েজগী পাউ অদুগী মতুং নুমিৎ ইকান কান্নদনা হায়রকখিবনি। ঐসু মঙ্গল পীখি। নুংঙাই য়াইফবা, তেক্ত কায়দবা, পুন্সি নুংশাংবা। মখোয়নবু নুংঙাইগনি নুংঙাইনবু হিংগনি হায়রবদি ঐখোয়না অমুক করি হায়রুগদগে হৌজিক্তি? মখোয়না নুংঙাইনা লৈরি হায়বা পাউ অদুতনি তানীংলিবা।

মণিপুরদদি থোরকখিদরে। হৌজিক্তা টিকেট থারক্কে হায়খি। মৌরিসিয়সতা চৎনবা। পাউবুদি তম্পাকলৈমদা তমগনি। ...ইবোতোম্বগী মনাক্তফাওবা খরা কুইনা লৈথসি য়াখিদবনি। মমৌনুপীনা সেবা ফজনা তৌজরবসু য়াম্না হন্নীংখিবনি। মৌরিসিয়স...। মহাক্লুবু য়ারক্কদ্রনে? মচাবুদি মশক উনীংলমগনি। মথানুংদা চেৎনা কোল্লগা থম্মোয় পেন্না কপ্নীংলমগনি। মপূক্লিংগী পেন্দবা ৱা কয়া হায়নীংলমগনি। অদুবু হৌজিক্তি নোংমতসু ইবেমহলগী মরমদা ৱারী শাখিদরে। মাগী মাগী মরায়বক্তা তম্বনি খনবনরা?

"নচানুপাসু বেঙ্গলোরদা তলব চাউনা চাদুনা থবক তৌরে। নচানুপীসু ফোরেনদা থবক তৌরে। বাবুদি অঙাং শেম্বগী মহৈ চারে। নুংঙাইরেনা।"

নুমিদাংৱাইরমদা সহীদ মিনার পার্কতা ঐখোয় থবক্তগী পোখারবা মরূপ-মপাং খরা হেক হেক ফম্মিন্নবদা নোংমা মধুনা হৌদোরকপনি। কনাদগী তারুবনো খঙদে। হোয়, মরূপ-মপাংগী মচা-মশূ করি করি তৌনরিবগে হায়বসে অমা নৎত্রগা অমদগী অদুম তানরমগনি। মীনা তানীংগনি তানীংলোই খঙদনা ইমুং-মনুংগী, মশাগী ৱারী শাগনবা মীওই লৈতবা নত্তে। মহাক্লা হৌদোরক্লিবদু মহাক্কী মচাশিংসু থবক তৌরে মী ওইরে হায়রক্লবা ওইরম্বসু য়াই। ওফিসার ওইরিঙৈদা হৈ-শিংবদা মমিং চৎলিবনি। মন্ত্রীশিংনা য়াবা মীরক নারক খঙবা মধুনি। থবক্তগী পোথাদ্রিঙৈদা মচাশিং খুদোংচাবা য়েংদুনা ময়ূম পালহনখিবনা পালহনবা থবক হাপকদবনা হাপখিবা ঙাক্তনি। ছাত্র ওইরিঙৈদা লাইরিক তম্মিন্নরবসু থবক তৌরবা মতমদদি তিন্নখিদ্রবনি। ঐখোয়না ওজামচা অমগা ওইবদুদা। হৌজিকপুদি পেন্সন ফংলবা মশেন্নিনা হেক হেক ফম্মিন্নরে। খুম্মী,

"কনানা খঙনো। হিংনা হিংনবা কদায় কদায়দনো চৎনখিবনিদা। ঐখোয়নদি সিদা থবক তৌহনবদি ঙমদ্রবনিনা।"

মধুদু করিনোমা হায়গে তৌবনি। মহেন্দ্রনা মরক থৎলকই, "মীতৈ নুপীনা অতোপ্পদা ময়ূম পানবসি খরা লৈরগা তান্থোক্লকপা য়াম য়াওনরবনি। হেক্তা খাইনরকই। বন্ধুগীদি দাওরী কয়াম পী? দাওরীগীদমক হাৎপনা কয়া'মনি।"

মহৌশানা মহেন্দ্রদি মীগী মচাগী অফবা খরদং পনবদা করিনো অমা হেক্তা হায়গনবনি। ইমান্নবা অমনা হায়খিবনি। মচাশিংদু মী অমতা ওইদবগী ৱাসু পনখি। মহাকসু ফনা চাউবা ওফিসার অমা ওইরম্বনি। মচাশিংদি মথোঙ অমতা খঙখিদে। মপাগী মরল চাদুনা লৈরি। অসিনি।

ইবেমহলনা থারকপা ফোটোদা উখিবা মকুবোক্তু মীৎতা উরকই। ৱাং চাউই। কুচু মুই। নাতোন শুমাঙগী কোইদু মথক্লোমদা মতোন অনীদো থেক্কৎলি। অদুক য়াম্বা কোই নাতোন শুমাঙদা হৌরমগনি থাজদে। য়েংবদা কিবা পোকপা শক্তমনি। আর্মি ওফিসর ওইরম্মী হায়। মোরিসিয়সতা। য়েংবদা অকিবা পোক্লবসু চীং লেম্মী। মহাকসু দাওরীগী ৱা খল্লমগদ্রা? জাৎ তিন্নদে হায়দুনা মমৌবু তথি তথি তৌরমগদ্রা? ঐ খঙদে। থম্মোয় চাউবা ওইসনু। ইবেমহলদু নুংঙাইনা লৈবা ওইসনু।

"মদোমদা পঙখন খল্লুবা য়াবা নত্তে। মী মীগী, ইমুং-মনুংগী মতুং ইল্লিদা। বন্ধু শ্বায়দা লৈদৌ শরূক নচানুপীগী মনাক্তা অমুক লৈ, নচানুপাগী মনাক্তা অমুক লৈ নুংঙাইনা পুন্সি লেন্থোকউ।"

মধুনা মখা য়াম্না তারকখি। মশাগী ৱাখলদগী থোরকপা ৱাহৈগুম্না। পৃথিবী অসি অপীকপা খুঙ্গং অমা ওইরকপগী। অমগা অমগা য়াম্না নকশিন্নরকপগী। ইমুং মনুং ওইবগী। ঐ পূম্নমক তাখিব্রা? নুমিদাংৱাইরমগী তারমদাই নুমিৎকী ঙাঙলৈনবা মশেক মঙালনা অতিয়াদা শন্দোরকপদু মুন্না য়েংই। পাউনা বাজারগী থাঙ্গাল বাজারগী য়ূমথকশিংনা ফীবাল ওইরদুনা। অমুবা উচেকশিংনা শন্দোরক্লিবা মঙালগী মায়কৈ তম্না পাইনখি। অমগী মথংদা অমা অমগী মথংদা অমা। তাম্না তাম্না।

মীৎকপ থোরকপদা নোং ফজনা ঙাল্লল্লে। কম্পার্টমেন্ট অদুদা তোংলিবা পূম্নমক হৌগৎনরল্লে। তম্পাকসু ফমদুনা লৈরম্মী। নুপামচাদুদংদি তূম্লি। মকোক খুমজিল্লদুনা। থোঙনাওদা য়েংথোক্লুবদা চিলিকা পাৎতা অয়ূক্কী নুমিৎনা য়ৈবদা ঈশিং অদু ঙাঙলৈনবা মচুনা ইপাক পাক্লা শন্দোক্লি। হি মচা মচাশিং তাম্না তাম্না হোন্নখ্রি। ঙা ফাবশিংগী। উচেকশিংসু নোংজাবী মচুগী অতিয়াদা কোইপাই পাইরি।

"ভুবনেশ্বর য়ৌগদৌরে। আদা মুশুক মুশুক মুনা ৱাংলবা উতোনশিংগী মরক্তা লীৎখৎতুনা লৈরিবা লাইশঙ অসি পুরীগী জগন্নাথ মন্দিরনি। কয়াদা ৱাংখ্রবনো? মপান নাইদ্রবা সমুদ্ররোমদা মমায় ওনশিল্লিবনি।"

ঐনা তম্পাক্তা থোঙনাওরোমদা খূদোম্বী থিন্দুনা হায়। মহাকসু য়েংই। তশেং তশেংলবা ঙাঙলৈনবা অতিয়াদা মন্দির মতোনগী শরূকশিং অদুনা মচু মচুগী ফীরালশিংগা লোয়ননা লেপ্তুনা লৈরি।

"ভুবনেশ্বর ষ্টেশনদা কূমহৌরসি।"

"য়ূমদা থোক্লরোইদবা?"

"য়ূমদা প্রপ প্রপ চৎলগা কৈদৌরুনি। চৎলিঙৈদা ঐখোয়সু কোয়বা য়াবা কোয়রগনিদনা। কোনার্ককী মন্দিরদসু চৎলুসি। নুমিৎ কৌবা লাইগী লাইশঙ অদুদগী ঈথক কারবা সমুদ্র..."

"হুম! য়ূমদা হল্লসি।"

তম্পাকলৈমনা ইহৈ হৈনীংদনা খুল্লকই।

"য়ূমদবু কনা লৈহৌরিবগেনে? নঙনা অসুক থুনা চৎনীংলিবসিবো?"

খুল্লক্তে। তূমিন লৈখি। কনাবু লৈহৌরিবগে? হঞ্জিন হঞ্জিন হংনীংখি। অদুবু মহাক লৈরি। চহী কয়া পুন্সিদা ৱামিন্নরক্লবা ঐখোয় অনীদি লৈরিদনা। লেমহৌরিবা পুন্সি মতেক অসিদসু ইবান্নীগী চৎমিন্নগদবা খোঙচৎ অমা। খূজেং পাল্লোয়নরদুনা।

"লৈ। নুমিৎ থা থৱানমিচাক মফমদুদসু থোক্লি। উপাল-ৱাপাল, হৈপাল-লৈপাল হৌরি। চীং পাৎ তুরেল লৈরি। অঙৈংবা নুংশিৎনা লমদমদুগী লৈহাওগী মনম পুরি। অদুগা খোইরি নাউরিগা য়ানশিন্নবা লৈশাশিং লৈহৌরি। অদুগীসু মথক্তা নহাক লৈরি।"

ঐহাক থাজখিদে। তম্পাকলৈমগী মচীন্দগী অসিগুম্বা ৱাহৈ থোরক্কনি হায়বা ঐ থাজখিদে। য়াম্না থাজখিদে। ঐনা খঙদবা থম্মোয়গী ওইবা ৱা লোৎতুনা লৈরি হায়বা ঐ খঙখিদে। চহী কয়া লৈমিন্নরক্লবসু। কদোমদগী থম্মোয়গী সুর অমনো মঙোন্দগী থোরক্লিবসিনা।

ঐহাক ইবেমহলনা ফোন তৌরকপদু হায়রুদরে। মৌরিসিয়সতা লাক্লবা হায়রকপা ৱাফমদুসু তম্লুদরে। ফজরবা ঈথৎকী লমদমদুগী ৱা পল্লুদরে। ইবোতোম্বগী বেঙ্গলোরদা লম লৈবগী ৱা অদুসু তম্পাক্তা ঐহাক হৌদোক্লুদরে। কনানোমা গালিবলা, মিররা, সেরগী পরেংলা নৎত্রগা মিলটনগীরা কবি অমগী পরেং অমা নীংশিংলকই। 'পৃথিবীদা স্বর্গগী নুংঙাইবা হায়বা অদো লৈরবদি মফম অসিনি মফম অসিনি।' মহাকসু খল্লম্বা য়াই ইমা লৈবাক্তি স্বর্গনি। তম্পাক্তা মুন্না য়েংলুই। মমীৎতু তরু তরুই।

ভুবনেশ্বরগী ষ্টেশন য়ৌরকপদা নুপামচাদু মকোক্তা কূপ্লিবা ফিদো হাইদোরকই। ঐখোয়না কূমথনবা শেম শারকপদা ইঙক ঙক্লা হংলকই, "গৌহাটি য়ৌরব্রা?"

"ভুবনেশ্বরনি। ঐখোয় কূমহৌবা তারে।"

মহাকসু মথক্কী বর্থতগী কূমথরক্লে। থোঙনাওদা য়েংই।

"ঐদি গৌহাটি য়ৌরবোই নীংলুরে। ... অদুদি বাবা মঙ্গল ওইবিয়ু।"

নুপীমচাদুসু মমীৎ তরাউ তরাউ ঐখোয়দা তিংঙক তিংঙক য়েংলি।

"নখোয়সু মঙ্গল ওইয়ু। তেক্তা কায়দবা ওইয়ু। নুংঙাই য়াইফনা পাল্লু।"

ইচাগুম্বদুদা হায়রুরি। লাপ্না চৎলিবা মখোয়দা। ঐখোয় ট্রেনদগী কূমথরে। অমুকসু হায়রম্মী, "হেপ্পি জর্নী।"

ষ্টেশনদগী থোরক্লুগা টেক্সি অমদা লাক্লে পুরি তম্না। তম্পাকলৈমা তূমিন্না অদুম্মক ফম্মী। কারগী থোঙনাওদদি য়েংলি। করি য়েংলিবা করি খল্লিবা? ঐ হংদে।

বঙ্গোপ সাগরগী শংবান্নবা ঈশিংগী ঈথকনা ৱা লাউনা তোর্বানদা কারক্লম্লগা অমুক হন্থখ্রি। অমুক কারকই অমুক হন্থখি। ঈথক্লা।

তম্পাক্কা ঐগা সমুদ্র খোঙবানদা লৈঙোয় মথক্তা ফম্মী। খোঙদা কোঙ্গোল কারবা ঈশিংনা অমুক অমুক থেংলম্লগা চেন্থখি। ফিজি ফিনা চোৎলবা তম্পাক্লা কিনা ঐঙোন্দা কোল্লক্লি। নোক্লদুনা। উম মহাক নোক্লি। ঈথক্লা অমুক কা অমুক কূম তৌবদু মহাক নুংঙাইনা য়েংলি। অদুদগী পাক্লবা ঈশিং নত্তনা করিমতা উদ্রবা ঈপাক্কী মথক্তা, লৈচীল অমতা পক্ত্রবা অতিয়াদা উচেকশিংনা চাইনা চাইনা পাইখ্রিবদু পূক্লিং চঙনা য়েংলুরি। ঐঙোন্দা কোন দুনা ফল্লিবা তম্পাক্তা খূদোম্বী থিন্দুনা হংই,

"কদায়দা পাইখ্রিবনো উচেকশিং অসি? খঙব্রা?"

পাক খুল্লক্তে। মুন্না য়েংদুনা লৈখি। নোকখিদরে। কুইরবগী তুংদা তপ্না শোন্থাংননা হায়রকই, "খঙদে। মখোয়বু অমুক হল্লক্লরোইদ্রা?"

"হল্লকপা হল্লক্তবদি ঐসু খঙদে। য়েংউ অতিয়াগা য়াম্না তাম্না, য়াম্না তাম্না ঈশিং ঈপাক্কা শম্নখ্রিবা নোংখোঙ পরেং তম্না পাইখ্রিবসে।"

তম্পাকলৈমা শংবানরবা পাক্লবা ঈশিং ঈপাক্কা নোংমদোনগা শম্নরিবা নোংখোঙ পরেংদুদা মুন্না য়েংই।



*সাহিত্য/খোরিরোল হায়বসি সমাজগী মিংশেলনি হায়নৈ। চুম্নগী মিংশেলদা উবা মমি অদুখক অমুকসু নত্তে। নুং ফাওনা মনুংথিৎনা উবা মিংশেল অদুনি। অদুনা অমুক অমুকসু হংজৈ- ঐহাকপু কয়াম য়াম্না খুন্নাই অসিবু মশক খঙলবগে? করম্না উবা ঙম্লবগে? পুন্সিগী মরমদা কয়া য়াম্না খঙলবগে?*

*—কৈশাম প্রিয়োকুমার*

কৈশাম প্রিয়োকুমার কুমজা ১৯৪৯ জুলাই ২৩ দা তেরা কৈথেল, খুরাইজম লৈকায়দা পোকখি। অইবা অসিগী ফোঙলবা লাইরিকশিংদি – *অৱাওবা পুন্সি* (১৯৭১), *ঐখোয় য়ূম্লোন্নবা* (১৯৯০), *নোংদি তারকখিদরে* (১৯৯৫), *লান অমসুং মঙ* (২০০০) অমসুং *নোংখোঙ তম্না* (২০১৩) নি।

অইবা অসিগী লাইরিক *নোংদি তারকখিদরে* দা মণিপুরী সাহিত্য পরিষদ, বিষ্ণুপুর মশানা ডা খোইরোম তোমচৌ নীংশিং সনাগী মেদল, ১৯৯৭; মণিপুরী সাহিত্য পরিষদ, ইম্ফালনা তেলেম আবির নীংশিং মনা, ১৯৯৭; কলচরেল ফোরম, ইম্ফালনা দিনেশ্বরী সাহিত্য মনা, ২০০৮; মণিপুর ষ্টেট কলা একাদেমিনা মনা ১৯৯৮ অমদি সাহিত্য একাদেমি মনা ১৯৯৮ পীখ্রে। মহাক্কী *লান অমসুং মঙ* দা মণিপুর সাহিত্য সমিতি, থৌবালনা অকোইজম চাউতোন অমসুং রাজকুমারী মুক্তাসনা নীংশিং মনা, ২০০২ ফংখ্রে। *নোংখোঙ তম্না* দা লৈমরোল খোর্জেকোল, ইম্ফালনা ক্ষেত্রিময়ূম য়াইমা অমসুং থম্বাল দেবী নীংশিং মনা, ২০১৪সু ফংখ্রে। মহাক্কী ৱারীমচা 'অহীং অমা' দা কথা এৱার্দ, ১৯৯৯ সু ফংখ্রে।

**অইবা অসিগী *নোংখোঙ তম্না* হায়রিবা ৱারীমচাগী লাইরিক অসিদা কুমজা ২০১৪গী ওইনা মণিপুর ষ্টেট এৱার্দ ফোর লিটরেচর পীখ্রে। মনা ফংলবা লাইরিক অসিগী মীংথোল ওইরিবা ৱারীমচা অসিমক লৌখৎচদুনা ফোঙদোকচবনি।**